অঙাংগী বাইবল

খুদোল তাম্জারী

# যীশু পোকপা



অইবা : Edward Hughes

লাই ্লয়কিপবা : M. Maillot

চুনাহান্বিবা : E. Frischbutter; Sarah S.

হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh

ফোংদোক্পিবা : Bible for Children
www.M1914.org

©2013 Bible for Children, Inc.
লাইসেন্স: পোৎচাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোক্পা য়াই অদুবু ্লয়াল্লাগা শেন্দান লাম্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই ।



থায়না মমাংঙৈদা, নৌরিবি ইহুদি লৈশাবি মেরি কৌবি অদুগী মনাক্তা ঈশ্বরনা গাব্রিয়েল কৌবা স্বর্গদূত অদু থারক্লম্মি। মহাক্না মেরিদা হাইরম্মি, “নহাক নচা নুপা অমা ফংগনি অমসুং মহাক্কী মমিং যীশু কৌগনি। মহাকপু খ্বাইদগী _াংবা অদুগী মচানুপা কৌগনি। মহাক মতম পুম্নামক্তা পানগনি”।

লৈশাবি অদুনা ঙকনা হাইরম্মি, মদু করম্না ওইথোক্কানি? “ঐ নুপা কনাগসু লোয়নাথিবা লৈতে”, অঙাং অদু ঈশ্বর্দগী লাক্কনি হায়না স্বর্গদূত অদুনা মেরিদা হাইরম্মী। তাইবংপান্বাগী মপা ওইরোই।



স্বর্গদূত অদুনা মেরিদা হায়রম্মি মদুদি মহাক্কী মখুরাগী মচা ইলিজাবেথসু চহি অসুক য়াম্লাবসু অঙাং অমা ফংগদৌরি হায়না। মসিসু অঙকপা অমা ওইরম্মি। খুদক্তা, মেরি ইলিজাবেথকি মনাক্তা চৎলম্মি। মখোই পুন্না ঈশ্বরবু থাগৎলম্মি।



মেরিসি মতম অদুদা জোসেফ কৌবা নুপা অমদা হায়না-শিংনবা লোয়নাখ্রাবা ওইরম্মি। জোসেফ মেরি মিরোল্লি তাবদা_াখল যাম্না_ারম্মি। অঙাং অদুগী মপা অতোপ্পা নুপা অমা শোয়দনা লৈরম্গনি হায়না খল্লম্মি।



মং অমদা, ঈশ্বরনা জোসেফতা অসুপ্পা হাইরম্মি অঙাং অসি ঈশ্বরগী মচা নুপানি। জোসেফনা যীশুবু য়েংশিনবাদা মেরিবু মতেং পাংগদাবনি হাইরম্মি।



জোসেফ থজারম্মি অমসুং ঈশ্বরনা হায়বা ইনলম্মি। মহাক মহাক্কী লৈবাক্কি নীয়মশিংবুসু ইনলম্মি। অনৌবা নিয়মগী মতুংইন্না, মহাক অমসুং মেরি মখোয়গী থুংগঙ থদোকল্লাগা, বেথলেহেম তান্না ট্যাক্স থিবা চংলম্মি।





মতম অদুদা মেরি অঙাং
উনাবগী মতম ওইরম্মি।
অদুবু জোসেফ কা অমা
ফাও থিবা ফংলমদে।
মীথুংশঙ খুদিংমক্তা
অহাংবা অমতা লৈরম্দে।

মামৈদা জোসেফ শগোলশঙ অমা ফংলস্মি। মফম অদুদা অঙাং যীশু পোক্লস্মি। মহাক্কী মমানা মহাকপু শা মচিঙ্গাক থাকফম শগোলখুদেংদুদা থানস্মি।



মনাক অদুদা, য়াওসেনবাশিং মথোইগী তুল্লিবা য়াওশিং ঙাকসেন্দুনা লৈরম্মি। ঈশ্বরগী স্বর্গদূতনা মথোইদা উহনবিরম্মি অমসুং অঙকপা পাও অসি মথোইদা হাইরম্মি।



“ঙসি দাভিদকি শহরদা কন্নিবা মপু ঈশ্বর ইবুংঙো খ্রিষ্ট যীশু পোক্লে।
নখোয়না অঙাং অদুবু শগোলখুদেংদুদা লৈবদু
থেংনাগনি”।




খুদক্তা, অঙালবা স্বর্গদূত ময়াম থোরক্তুনা, ঈশ্বরবু থাগৎতুনা
হায়রম্মি, “প্রিথিবিদা শান্তি অমসুং ইাং-ৢাংবাদা
ঈশ্বরগী মতিক মগুল, তাইবং
মীওইবদা
অফাবা
ওইসনু”।

য়াওসেনবাশিং অদু শগোলশঙদা য়াম্না থুনা চৎলম্মি। অঙাং অদু উরবা মতুংদা মথোই মশেন অমগা–অমগা হায়নারম্মি যীশুগী মরম্দা স্বর্গদূতনা হায়রম্বাদু চুম্মী হায়না।





নুমিৎ নিফুনিগী মতুংদা, জোসেফ অমসুং মেরিনা যীশুবু জেরুসালেমগী মন্দির্দা পুরক্লম্মি। মফম অদুদা সিমেওন কৌবা নুপা অমনা অঙাং অদুগীদমক ঈশ্বরবু থাগৎলম্মি, অদুগা অহল অন্না, অতোপ্পা ঈশ্বরগী থৌগল তৌবা অমনাসু থাগৎলম্মি।



মখোই অনিমক যীশু অসি ঈশ্বরগী মচা,কন্নিবা মপু থারক্কানি হায়বা_।শক্তুনি হায়বা খংলম্মি। জোসেপ্পা উচেক অনি কংথোক্লম্মি। মসি কংথোকপগী ঈশ্বরগী নিয়ম ওইরম্মি লাইরবাশিংনা মখোয়গী অনৌবা অঙাং ঈশ্বর্দা কংথোকপা মতমদা তৌগদবানি হায়বা।





মতম খরা
লৈরগা, তোপ-তোপ্পা
থ্বানমিচাক অমনা
নোংপোকলোমদগী
অশিংবা

মীশিংদু জেরুসালেমদা লেমজিংদুনা পুরক্লম্মি।
“ইহুদিগী নৌনা পোকপা নিংথৌদু কদায়দা
লৈগে হায়না মখোইনা হংলম্মি ? ঐখোয়
মহাকপু খুরুম্বা পামজে”।

নিংথৌ হেরোদনা অশিংবা মীশিংগী মরমদা তরম্মি। মহাক য়াম্না থামোই_ারমই, মহাক্না মথোইদা হাইরম্মি নাথোইনা যীশুবু ফংবগা ঐঙান্দা হায়বিয়ু। “ঐসু মবু খুরুম্বা পামজে”, অদুবু মহাক্না মচিন থিরম্মি। হেরোদ যীশুবু হাৎপা পাম্লম্মি।





থ্বানমিচাক অদুনা মখোইবু জোসেফ অমসুং
মেরি পিক্লিবা অঙাংগা লৈরিবা মফম
অদুদা চপ চানা লমজিংলমই। খুরু খুদক
কুন্দুনা খুরুমলমই, মাখোইনা মমল য়াম্না
তাংবা সনাগী খুদোলপোৎ অমসুং
মনম নুংশিবা থাও
যীশুদা খুদোল
ওইনা কংলমই।

ঈশ্বরনা অশিংবা মীশিংদুদাময়ুম্দা তুমিন্না হনখিনাবা হাইরমই। হেরোদ য়াম্না শাওরমই। যীশুবু হাৎনানাবা,ফত্তাবা লৈঙাকপা অসিনা বেথলেহেমগী পিক্লিবা অঙাং নুপামচাশিংবু লোইনা হাৎলমই।





অদুম ওইনামক হেরোদ
ঈশ্বরগী মচানুপাবু মাংহনবা
ঙমলন্দে! মং অমাদা
তাকলমই, জোসেফনা মেরি
অমসুং যীশুবু মিশরদা
পুরাগা কলমই।

হেরোদ শিখ্রাবা মতুংদা
জোসেফনা মেরি অমসুং
যীশুবু মিশরদগী
পুরকলমই।



মখোয় গালিল্লীগী
সমুদ্রাগী মনাক্তা, নাজারেথ
কৌবা খুংগং মচা অদুদা লৈরমই।

# যীশু পোকপা

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ৱারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

মাত্থী ১-২, লুক ১-২

“ঈশ্বর মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি।”
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০

লোইজারে

অসিগী বাইবলগী ৱারী অসিনা ঐখোইদা ঐখোইবু শেম্বিবা মতিক লৈবা অমসুং অদোম্না থংবাদা য়াম্না মরু ওইবা মপু লাইনিংথৌ মহাক্কি মরম্দা ঐখোইদা তাকপি ।

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই । পাপকি অতৌমন্দি শীবনি, অদুবু ঈশ্বরনা নাহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী উসিন ওইনা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা শ্বরগদা চতথি! নহাক্না যীশুবু থাজরাবদি অমসুং নহাক্কি নপাপশিংদু কোক্পীয়ু হায়না মাঙোন্দা হায়জারবদি, মহাক্না সোয়দনা কোকপিগনি! মহাক নংগী পুন্সিদা লাক্কানি অমসুং মহাক্কা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নাবা ফংগনি ।

নঙনা মসি অচুম্বানি হায়না থজারবদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐ নংবু ঈশ্বরনি থাজাজৈ, নহাক্না তাইবংপানদা মী ওইনা লাক্কুনা ঐগী পাপকিদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগতপি । ঐগী পুন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী ইপাপসিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পুন্সি হৌজিক ফংজগে অমসুং নহাক্কা লোইনানা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফংজাগে । নহাক্কি হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু । অমেন ।

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ! যোহান ৩:১৬